# লমদম অসিগী নাটকী ওইবা ম্যুজিক্কী শৈরোল কয়াবু মরোল অমা লোলহন্দুনা মালেমদা শক তাক্লম্বা *হৈস্নাম ভগৎ সিংহ*

*- নানি*



মীওইবগী পুন্সি হায়বসি য়াম্না নুংশি। তেনসু য়াম্না তেল্লি। কনাগুম্বশিংনা মীওইবগী পুন্সি অসি চহী ৮০, ৯০, ১০০নি হায়নরি। অসি য়ৌনা পুন্সিবদি মশীং য়াম্না লিকশিল্লক্লি। মসিগী মনুংদা অঙাং ওইরিঙৈ ৱাখল লৌশিং য়াওদ্রিঙৈ মতম, মহৈ-মশিন তম্লিঙৈগী মতম, পুম্নমকশিং অদুগা লোয়ননা চাউরক শাংলক্তুনা মশাগী ওইবা থৌদাং পাঙবা হৌরকপদগীদি মীয়াই চনশিল্লক্কনি, অহল মতম ওইশিল্লক্কনি। অদুনা মী অমনা হিংলিঙৈগী মতমদা মহাক্না তৌগে হায়না খনবা শিন্থা খূদিংমকশিং অসি মপুং ফাবা ঙমদনা লৈখিদবা ঙাক্কনি।

অমরোমদা, মহাক মহাক্না পামজবা শিনফমদা চঙদুনা, নীংজবা পামজবা খূদিংমক মপুং ফানা পাঙথোকপা হায়বা অসি পাক পাক ঙম্নদে। ঙমদ-ঙমদনা পুন্সি লোমখিবা ঙাক্তা ওইনা থেংনৈ। অদুবু লমদম অসিগী য়াম্না চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা মপুং ওইনা ঐখোয়গী পুন্সিরোলগা শাগোন্নদুনা লাকপা শৈরোল কয়াবু নৌহৌননা ভাইওলিন, পেন্নাও, পেনা অমদি অতৈ মখল কয়াগী ইন্সত্রুমেন্ট শীজিন্নদুনা তোপ-তোপ্পা শৈশক কয়া অদুগী মহাও য়েল্লম্বা ঙমখিবদি হৈস্নাম ভগৎনি। তশেংনমক মহাক্তি মহাক্কী প্রোফেসনদা মায় পাকখ্রবা মীশক অমনি হায়না থমজবা য়াই খল্লি। মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা পেনাগী মরমদা ঙসি ফাওবদা মমুৎ তানা খঙবা অমদি নৈনবা মীগী মশীং য়াম্না লিক্লি। একাদেমীকেল্লি নৈনবা হায়বদুমসু ঙাইহাক তোঙান্না থমখ্রগা, ঐখোয়গী পুন্সিরোলগা শাগোন্নদুনা লাকখ্রবা পেনা অসি লৈরিবা ঈশৈ শৈদা কয়াদা করম্না শুর শেমদুনা শীজিন্নবা য়াগদগে হায়বা অসিগী ৱাখল পরিং অমা খন্দুনা ৱাখল মীৎয়েং অমদি মখুৎসু মান্নবশিং তাশিন-খোমজিন্দুনা অনৌবা মখলগী ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট, শেম্বা শাবরোমদা মায় কন্না ওনশিনখি। মদুগী থবক অদু য়াম্না চাউনা মায় পাকখি। অসুম্না কাঙলোন চুম্না শেমগৎতুনা ঐখোয়গী পেনাগী খোঞ্জেলসু য়াওবা, মখল অমগী পেনা অমা ২০০৭কী জন্যুৱারী থাদা পুথোকখি। মদুবু **পেনাও** হায়নসু খঙনখি। ঙসিদি **পেনাও,** ষ্টুদিওদা পুশিন্দুনা মখল কয়াগী ঈশৈদা এক্কোম্পেনিং ম্যুজিক অমা ওইনা শীজিন্নদুনা লমদম অসিগী ঈশৈগী তোপ-তোপ্পা মহাও অমা পীবতা নত্তনা লমদম অসিগী আইদেন্টিটি পীবা ঙম্বা ম্যুজিক অমা ওইরে হায়বসিদা থোইনা য়েৎনিংঙাই লৈতে। মসি পুম্নমকশিং অসি ওইনবা হোৎনবা মতমদা হৈস্নাম ভগৎকী চাউরবা থৌদাং অমা লৈখি।

শ্রী হৈস্নাম ভগৎ সিংহ, সেগা রোদ খ্বাইরাকপম লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্টতা কুমজা ১৯৭৭কী মার্চ ১দা পোকখি। অপোকপগী মিংনা লৈখিদ্রবা লৈবাক্না ঈকায়খুম্নবা উৎচরিবা হৈস্নাম মঙ্গোলজাও সিংহ (খোংজোম পর্ব্বগী ওজা)নি অদুগা অপোকপীনা হৈস্নাম ওংবী সোরোজিনি দেবী কৌই। ম্যুজিক্কী লমদা ভাইওলিনদা শঙ্গীত ভিশারদ ১৯৯৪দা ভাৎখান্দে সঙ্গীত ভিদ্যপিৎতগী পাস তৌখি। ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী এপ্রুভ ম্যুজিসিয়ন অমা ওইরমখি। লমদম অসিগী মমিং লৈরবা ওজাশিং- সী ঐচ রঞ্জিৎ (ভাইওলিন), এম কুমার (ভাইওলিন), এন জি ইবোপিশক (ভাইওলিন) অমদি এন টিকেন দিরেক্টর পালগী মফমদগী ম্যুজিক্কী মহৈ অসি নীংথিনা তমজরকখি। হৈস্নাম ভগৎ ওজাশিংদগী মতিক ওক্লা মহৈ তানশিল্লবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা লমদম অসিগী নাটকী ওইবা ঈশৈ-জগোয় কয়াদা ম্যুজিক এক্কোম্পেনিষ্ট অমা ওইনা শরুক য়ারকখি। ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ঠিএটর, ম্যুজিক অমদি দান্সকী থৌরম কয়াদা শরুক য়ারকখি। খাজুরাহো দান্স ফেষ্টিভেল, ১৯৯৪, এন এস দি রেপর্টরি'স প্রদক্সন ওইনা সনাখ্যা ইবোতোম্বীনা পুথোকখিবা প্লে অমদি ১৯৯৫দা ন্যু দেল্লীদা উৎখিবা "অশাদকা ইক দিন" হায়রিবা প্লে অসিগীসু ম্যুজিক দিরেক্টর ওইনা শরুক য়াখি। ১৯৯৬তা ত্রিভেনি কলা সঙ্গমগী বেল্লেট "য়াইথিং কোনু" ন্যু দেল্লীদা উৎপদসু ম্যুজিক্কী থৌদাং লৌরকখি। ১৯৯৭তা পাঙথোকখিবা ভগ্যচন্দ্র নেসনল দান্স এন্দ ম্যুজিক ফেষ্টিভেলদসু অচৌবা থৌদাং লৌরকখি। অসুম্না ইন্দিয়া মনুংদা পাঙথোকপা অচৌবা ফেষ্টিভেল কয়াদা শরুক




য়ারুখ্রে। মসিদা নত্তনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিভেলশিংদা শরুক য়াখিবা খরদং নীংশিংবা য়াবদি- ইদিনবর ইন্টরনেসনল ফেষ্টিভেল, ২০০২; ইন্দিয়ানা ইন্দিপেন্দেন্স ফংবগী চহী ৫০ শুবগী টুর ওইনা আই সী সী আরনা শীন্দুনা মালেসিয়া এন্দ থাইলেন্দ, ১৯৯৮ দা সিঙ্গাপোর, হোং কোংদসু রিদমস ওফ মণিপুরগী আই সী সী আর টুর ওইনা ২০১৩দা প্রোগ্রাম উৎলুরে, হোলেন্দ, স্পেন, জর্মনি, ইটালিনচিংবা মফম কয়াদসু ম্যুজিসিয়ন অমা ওইনা ফেষ্টিভেল কয়াদা শরুক য়ারুরে।

হৈস্নাম ভগৎ রিদমস ওফ মণিপুরগী য়াম্না মরুওইবা মেম্বর অমা ওইবতা নত্তনা মরুওইনা ম্যুজিক এসেম্বল তৌরকপদা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌখিবা মীশক অমনি। মীয়াম্না হায়নবা লৈখি। কোক্তা খনবা ৱাখল অদু ভগৎতি মাগী মখুৎতা পায়বা ম্যুজিক অমনা হেক্তা মরোল লোনবা ঙম্মী। মসিনি মহাক্কী তোপ তোপ্পা মতিক ময়াই। ম্যুজিক্কী ওইবা ৱাফম অমা নৈনবা মতমদা মহাক য়াম্না চঙখোন্না শরুক য়ারকখি। ৱাখল য়াম্না থোকখি। অনৌবা ম্যুজিক্কী কাঙলোন অমা য়াম্না পামজৈ। মসিদা খনবদা মহাক চাবা থকপা কাউবা মীশক অমা ওইখি হায়বসি মহাক্না লোয়ন-তীন্নবশিংনা তোয়না হায়নবা ৱাফমনি। তশেংনমকসু ভগৎ ময়ামদা শক তাকপদসু য়াম্না লায়বা, অদুগা মহাক্কী শকফম অসি তোপ তোপ্না লৈবা মীশক অমা ওই। মহাক্কী ওইথংবা খদাং ময়াদা চাগুম্বা মচেৎ অমা লৈ। মদুদা শম ওইনা অশাংবা খরা হৌই। মদু মহাক্লসু য়াম্না পামজনা খাকখি। মদু মঙোন্দা য়াম্না পকচবা অমদি মহাক্কী আইদেন্টিটি অমা ওইনা মীয়ামদা শক তাকপদা য়াম্না লায়বা অমা ওইখি। মমাংঙৈগী অহল-লমনশিংনসু হায়রম্বা লৈখি। অদুগুম্বা মীশক অসি অরায়বা অমা ওইদে, য়াম্না চঙখোনবা অমা ওইগল্লি হায়বদুমক ভগৎতা থোকখি। মহাক্না মহাক্কী ভাইওলিন খোংনবা মখুৎনা হেক পায়খৎপগা য়েৎথংবা মখুৎনা বো পায়দুনা ভাইওলিন খোংনবা মাগী খদাংদা ভাইওলিন হেক থমখিবদা তশেংনমক ভাইওলিন খোংবা হায়বদু মহাক্কুম্না পকচরমগদ্রা হায়বা অসি খনখি। মহাক্না ভাইওলিন খোংবসি য়াম্না পকচৈ। ময়াম্না খোংবগসু মহাক্না খোংবগা খেন্নবা অদুম উবা ফংই। নট সঙ্কীর্ত্তন, খুনুং ঈশৈ, জগোয় রাসকী ঈশৈ কয়াগী এক্কোম্পেনিষ্ট ওইবসি য়াম্না ফজৈ। অমদি শক্লিবা ঈশৈশিং অদুগী অনৌবা থৱায় অমা পালহনবা ঙম্মী। অদুনা মহাক অসি ময়াম্না তোয়না তান্নে। থৌরম অমদা মহাকপু য়াওরবদি হেক্তা ফজরনি হায়বগী থাজবা অমা পূক্লিংদা ফাওহনবা ঙম্বগী ময়াই অমা মঙোন্দা চেনখি। রিদমস ওফ মণিপুরনা পুথোকপা, জর্নি হায়বা ২০০৯দা দূরদর্শন নেসনল এৱার্দ ফংখিবা ম্যুজিক ওনসেম্বল অদুগী ম্যুজিক কম্পোজর ওইবীরকখি। নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা, ন্যু দেল্লীনা শীনবা অহানবা ভারত রং মহোটসবতা ফোরম ফোর লেবোরেটোরি ঠিএটর ওফ মণিপুরগী অরাম্বম লোকেন্দ্রনা দিরেক্সন পীখিবা প্লে "চাইল্ড ওফ নোর্থ ইষ্ট" হায়বা অদুগীসু ম্যুজিক কম্পোজ তৌখি।

মতম শাংনা লৈবা য়ারিবা ম্যুজিক কম্পোজর হৈস্নাম ভগৎ, ইথা থাজদনা হন্দক মার্চ থাগী ২৬তা মহাক্কী লোয়নবী, মচানুপী মরি থনম্লগা খঙহৌদনা লৈখিদবা অসি লমদমসিগী ওইনা য়াম্না চাউনা মাঙজবা অমনি। মঙোন্দগী অনৌবা খুদোল কয়া লমদমসিগী মীয়াম্না খৌরাংলম্বনি। অদুবু পুম্নমকশিং অদু নাথৈরম্লগা, মপুগী নাক্তা তীনখিবা অসিদা মহাক্না লোয়ন-তীন্নহৌবা অমদি মণিপুরী আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা থৱায় য়াওজবা কয়াগী থম্মোয়দা য়াম্না নীঙমদবা অমা পীরমখি। লোইবা নাইবা মীওইবগী পুন্সি ওইবনা পাম্মুই হায়না শোনবসি নত্তনা করিসু থিংলুবদি ঙমখিদ্রে। মহাক বি পি ষ্ট্রোক তৌখি হায়বগী পাউদি তাখি। অদুবু ফীভম অদু য়ৌনা খুদোংথিগনি হায়বদি থোইনা হকচিন্না খল্লুবা লৈখিদে। মহাক্কী থৱায় মীরেলনা মপুগী নাক্তা মতম চুপ্পগী ওইনা লেঙদনা লৈরুনবা থৌনিজরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০। ০৪। ২০২২ ইং, নোংমাইজিং;
শজিবুগী ৯ নি পানবা।

**মেষ:** ৱাঙাঙ হৈত্রদি ইকাইবা নংবা য়াবা, য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাংবা লৈগনি। হকচাং নুংঙাইবা হেনবা, থৌনা লৈবনা মরুওইবা থবক পাঙবা, য়েৎনরম্বা কোকপদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** নীংবা মপা চাগনি, খন্থরগা পাঙবা থবক শোয়দনা মায় পাক্কনি, অয়াম্বা থবক্তা নক্লবা মীশিংগতা লোয়নবা ফগনি। লম চৎপা অমদি অফা-অপুনগী লমদদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**মিথুন:** থাজদবা মফমদগী অমদি অরাপ্পদগী কান্নবা ফংউ হায়বা লৈ। মীয়াম্না য়াগনি, মীগী মতেং অমদি লন ফংবগী নুংঙাইজবসু লৈগনি। পাইরক্কী লৌশিং চাওই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কর্কট:** হরাওবা, ললোন ইতিক্তা নীংবা থুংবা, হকচাং নুংঙাইবা অমদি মীচং খোম্বা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। মতাং চাদনা থৌনা ফুদোকপা অমদি নাপল তৌবদি ফত্তে।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**সিংহ:** ঙাঙবা শকপদা মীনা তানিংগনি, লেংদবা লন চাওখৎকনি। লৌশিং চাওবনা ৱাখল তান্নরমদবা তান্নথোকপা মতাং চাই। ললোন ইতিক্তদি কান্নবা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না অশা চাওরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কন্যা:** ঙসিসু ৱাখল নুংঙাইবা, শেন্দোং ফংবা, অনৌবা অশা লাকপা নুমিৎনি। অদুবু য়েক্লবনা নরল মৎপিবা য়াবা অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নদবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীচং লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেং

**তুলা:** লম খুদিংদা মায় পাক্কনি। মীকোক থোংগনি, ৱাখল থোক্কনি, হকচাং নুংঙাইগনি, মীয়ামগা লোয়নবদা হরাওবা-নুংঙাইবা লৈগনি। শেন্দোং তানবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক:** চরাংনরদি মীপাইবা পোক্কনি, মরম চাদনা খুৎচাও থাগনু। হকচাংদি নুংঙাইবা হেনবা, য়েক্লববু লাকশিনবা, মরুপ মপাং লোয়নবা কান্নবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**ধনু:** য়াম্না হৈশিংগদবা নুমিৎনি। থবক অমত্তা লায়না পাঙবা ঙমলোই-য়াকা য়েংনা চৎলু। অনৌবা থবক্তা মাঙজিল থাগনু, ঙাইঙমদবা/মীৱা হেন্না থাজবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মকর:** নীংজবা থুংবা, নচা-ননাইগী নুংঙাইবা, পাংঙমদবা থবক পাঙবৈ হরাওবা অমদি নচাক নরল চাওখৎপা লৈ। মীনা লাকচবসু ঙমলোই। মরুপকদি ৱারৌনবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** অনম তানবা, পাঙ্গল ফুদোকপা য়াদবা লৈরগসু নীংবদি থুংগনি, ৱাখল থোকপনা নিংথিনা খন্থরগদি অয়াম্বা থবক পাঙগনি। নোল্লুকপনা উপাই ওইবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিন:** চরাংনবনা অমদি হোয়া ফবনা মতম মাঙবা অমদি চিন শোয়রগা শেল-তিংবা নুমিৎনি। অদুবু নথক থোংবগী মতেংনা ওইজ-ওইথক ফংজৌ হাইবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা তেংবাঙ পীখ্রে




ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): থোংজু কেন্দ্রগী মনুং চনবা কোংবা খেত্রি লৈকায়দা লৈবা কোঙ্গ্বাইলাৎপম পাকপা, কোঙ্গ্বাইলাৎপম দেবদাস অমসুং কোঙ্গ্বাইলাৎপম চিত্রসেনগী যুম ঙসি নুংথিল পুঙ ১২ তারকপা অদুৱাইদা খঙহৌদনা মৈনা চাকপগী পাউ হেক ফংবগা ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী টিম অমা মফমদুদা খোঙলৈ থুনা চঙশিন্দুনা মৈ কনবগী থবক্তা মতেং পাংখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা শোক্লবা কোঙ্গ্বাইলাৎপম পাকপাবু খুদক্কী ওইবা ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুং হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখ্রে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি ডা. নাম্ব্রম অমুলকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, সোসাইটি অসিগী তৌফম থোকপা মথৌ অমা ওইনা মৈ চাকপগী পাউ তাবগা থৌদোক থোকফমদা চঙশিনখি। সোসাইটি অসিগী মায়কৈদগী থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিংবু খুদক্কী ওইবা ফার্ষ্ট এইদ পীখি। অমদি তুংদা সোসাইটি অসিনা খুদক্কী ওইনা মথৌ তাবা ব্লাঙ্কেট ৯, হাইজিন কিট ১২, মোস্কিটো নেট ১২, কিটচন সেট ৩ অমদি ৱাটর জেরি কেন ৬সু মতেং পীরমখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## পামেল ফাউন্দেসন্না বি বি পোল মেন্টেল দিভেলপমেন্ট হোমদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস): নন-প্রোফিটেবল ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা পামেল ফাউন্দেসন্না ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা বি বি পোল মেন্টেল দিভেলপমেন্ট হোমদা চানবা পোৎলমশিং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম কয়া তেংবাঙ পীখ্রে।

তেংবাঙ পীবগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা পামেল ফাউন্দেসনগী ফাউন্দর দিরেক্টর ডা ধন্নিনা ফোঙদোকখিবদা, পামেল ফাউন্দেসন অসি চহী অসিগী জন্যুৱারী ১৫দা ক্লাসিক হোটেলদা ইহান হান্না লোঞ্চ তৌখিবনি। ক্লাসিক গ্রুপ ওফ হোটেলনা স্পোন্সর তৌবা পামেল ফাউন্দেসন্না লমদম অসিদা লৈরিবা শোত্থরবা থবক থৌরম কয়াদা মতেং পাংনবা পান্দম থম্লি। ফাউন্দেসন অসিনা অহানবা ওইনা পায়খৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মোংশাঙ্গৈদা লৈবা বি বি পোল মেন্টেল দিভেলপমেন্ট হোমদা তেংবাঙ পীবগী থবক অসি চথবনি। ফাউন্দেসন অসিনা অহানবদা মরুওইন হকচাংগী ফীভমদা শোত্থরবশিংগী য়েংলগা হোম অসিদা তেংবাঙখিবনি। মখা তানা শান্ন-খোৎনবা, কলচরেল এক্টিভিটিজ অমদি শেল-থুমগী ফীভমদা য়াম্না শোত্থনা লৈরিবশিংদসু মতেং পীবগী থবক পায়খৎকনি হায়খি।


থৌরমদুদা শরুক য়াখিবী হোম অসিগী হেদ মিষ্ট্রেস তখেল্লম্বম অনিতানা ফোঙদোকখিবদা, হোম অসি হৌজিক্তি গভর্ণমেন্টনা লৌশিল্লে। অদুবু ফংফম থোকপা খুদোংচাবদি হৌজিকমক্কী ওইনা ফংবা লৈতবনা হোম অসিদা থবক তৌরিবা কয়া খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। অসিগুম্লবা মতম অসিদা পামেল ফাউন্দেসন্না হোম অসিদা লাক্তুনা মফমসিদা লৈরিবা হকচাংগী ফীভমদা শোত্থরবশিংদা তেংবাঙ পীরিবা অসি থম্মোয় শেংনা থাগৎলি হায়খি।



Title : Naruto
By : A. K. Ngamba
Class : VI Roll No. 30
School : S.V Get Well



Title : A Night View
By : Inunganbi Yambem
Class : II Roll No. 5
School : Eikhoigi Maheikol, Charangpat



Title : A Bird
By : M. Neena
Class : III Roll : 12
School : Bhairodhan Maxwell Hindi High School



Title : Deforestation
By : Yambem Pari Meitei
Class : III Roll : 6
School : Eikhoigi Maheikol, Charangpat



Title : Girl
By : Tomthinganbi N.
Class : VI Roll : 16
School : Maheilen



Title : A House
By : Wangkhem Lingjel
Class : II Roll : 1
School : Maheilen Educatoin Centre



Title : A Horse
By : Ronaldo
Class : VI Roll : 32
School : Maheilen Educatoin Centre Boarding



Title : A Bird
By : Telheiba
Class : IV Roll : 4
School : Maheilen Educatoin Centre




Title : Dog and Boy
By : Takhellambam Rohit
Class : V Roll : 23
School : Maheilen Education Centre



Title : Scenery
By : Justina
Class : II Sec : Red Roll : 49
School : Khuman Maheikol




Title : Scenery
By : Thongam Korounganbi
Class : III Roll : 14
School : Pishak Macha Bidya Mandir




Title : Scenery
By : Neeha Naorem
Class : IV Sec : A Roll : 17
School : The Open Wings English School



Title : Scenery
By : H. Nirjanita
Class : III Roll : 5
School : Khuman Maheikol



Title : Scenery
By : Yumnam Abinash
Class : V Roll : 2
School : Open Wings English School



Title : Scenery
By : Yaiphabi
Class : III Roll : 6
School : The Open Wings English School



Title : Environment
By : Sonali Wahengbam
Class : III Roll : 8
School : Khuman Maheikol

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।